**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-05-2026)**

**নর্স (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ মনিপুরদসু ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখি। কুমশি চহি অসিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-অৱার নর্সেস, অৱার ফ্যুচর ইম্পৱারদ নর্সেস সেফ লাইফস' হায়বসিনি।

ত্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন জেনিমসনা শিনদুনা জেনিমসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অসিদা ৱা ঙাংবদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী জোইন্ট সেক্রেটরি-সমিম অহমদ সাহনা হায়-নর্সশিংনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক্তা তৌরিবা সেভা অসিদগী হেন্না চাউবা সার্ভিস লৈতে। মহাকা হায়-মীওইবা ওইনা হিংলিঙৈ মতম অসিদা নর্সশিংনা মশাগী ওইজ-ওইথক পুমমক থাদোক্তুনা অনাবশিংগী সেভা তৌবগী মগুন অসি য়ামা ইকায় খুমফম থোকই।

**গ্যাস (এল)ঃ** মনিপুরদা চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি., পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না লৈত্রে হায়বা পাউ অমা শন্দোরক্লিবা অসি অরানবনি হায়না রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসননা শেংদোরক্লি। মসি মীয়ামবু লান্না লমজিংনবনি হায়না নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা পেট্রোল, দিজল অমদি এল.পি.জিগী স্তোক মরাং কায়না লৈরি অমদি কঞ্জুমরশিংদা নিয়ম চুমা য়েন্থোক্লি। মরম অদুনা মীয়ামনা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎলমশিং ফংলোই হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে। কনাগুম্বশিংনা পোৎলমশিং অসি ফংলোই হায়দুনা পংলৈদা লৈশিনবা তৌবিগনু

হায়রি। কনাগুম্বশিংনা এল.পি.জি. য়াওনা পেট্রোল অমদি দিজল কা হেন্না পৈশিনদুনা থল্লম্বা থোক্লবদি ইন্সিসিয়েল কমোদিটিজ এক্ট ১৯৮০ অমদি পেট্রোল্লিয়ম এক্ট ১৯৩৪ গী মখাদা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** মোলনোই কুকি ভিলেজতা ঙসি নুংথিল পুং অহুমলোম তারকপা অদুৱাইদা য়ুম কয়া মৈ থাদোকখ্রে হায়না সোসিএল মেদিয়াদা শন্নে দারক্লিবা পাউ অদু ভারতলোম থংবা শরুক্তা থোকপা নত্তে হায়না পুলিসনা শেংদোরক্লি।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-মফম অদু কামজোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা বোর্ডর পিল্লর নম্বর ১১৩ দগী কিলোমিটর অনিরোম লাপা লৈবা ম্যান্মারগী শরুক অমনি।

**এআর (এল)ঃ** মীয়ামবু মশা-মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ, থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবী সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবদা লৈবা মহৈরোইশিং, ওজাশিং, অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং অমসুং লৈকাইগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লেমা লায়েংবগী কেম্প কয়া পাঙথোক্লি। মসি মনুং হুঞ্জিননা লৈবা মীয়ামদা হকশেলগী খুদোংচাবা কয়া নীংথিনা ফংহন্নবা পায়খৎপা খোঙথাংনি হায়রি।

**অনুরাখ(এল)ঃ** থা অসিগী ১১ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্লিবা এন.সি.সি. কেদেদশিংগী ওইবা নোর্থ ইষ্ট রিজন ফ্লায়িং কেম্প ২০২৬ কী মনুং চন্না ঙসি রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাখ ভাজপায়না ফ্লায়িং ওপরেসন ট্রেন্নিং

হৌদোকখ্রে।

অহানবা মনিপুর ইয়ার স্কাদ্রোন এন.সি.সি. ইম্ফালনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা এন.সি.সি. ইয়ার ৱিংগী কেদেদ ৪০০ রোমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী অনুরাখ ভাজপায়না হায়-ফ্লায়িং ওপরেসন হায়বসি য়ামা লুবা থবক অমনি। পাইলোট অমদি প্রোফেসন অসিদা লৈরিবশিংনা ফ্লায়িংগী থবক অসি পাঙথোকবা হোৎনবদা মশাদা থাজবা অমদি অৱাংবা থাক্কী গ্যান লৌশিং কয়া অমগী তঙাইফদবা লৈরি। মহাকা হায়-হৌজিক চথরিবা কোর্স অসিনা ফ্লায়িং ওপরেসনবু পামজবশিংদা পুকিং থৌগৎপা অমা শোয়দনা ওইরগনি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী শেন্থুং মখাদা ইলেক্ট্রোনিক গেজেট শিজিন্নবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি তমেংলোং কলেজতা হৌদোকখ্রে।

য়ুনিভরসিএল ইলেক্ট্রোনিক্স ত্রেন্নিং কিটস শিজিন্নদুনা ইলেক্ট্রোনিক গেজেটশিং মতৌ করমা শিজিন্নগনি হায়বগী অহানবা হেন্দস ওন ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা আই.আই.টি. মদ্রাসকী এক্সপার্ট ইঞ্জিনিয়ার তরেৎনা ত্রেন্নিং অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি অমদি অনৌবা মখলগী টেকোলোজিশিং শিজিন্নবগী মতাংদসু মহৈরোইশিংদা তাকপী তম্বীখি।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-আমস্ত্রোং পামৈনা হৌদোকখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি জাফৌদা লৈবা মহা য়ুনিয়ন গভরমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী বাইও দাইভরসিতি নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদমবা অদু এক্তিং লোকেল্লি ফোর গ্লোবেল ইমপেক্ট হায়বা হীরমসিদা পাঙথোকখিবনি। থৌরমদুগা মরী লৈননা চাং দলগী দি.এফ.ও. ডা: এন. মুনাল মীতৈনা হায়-ফোরেষ্ট বিভাগনা চহি খুদিংগী রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা পালন থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙসি পাঙথোক্লিবা লাই য়েকপা চাংদমবা অসিগী মকোক মথং তারবা মহৈরোই অহুম খনগৎতুনা রাজ্য থাক্তা পাঙথোক্কদবা লাই য়েকপা চাংদমবদা শরুক য়াগনি। মহাকা হায়-মহৈরোইশিংদা ফাওরিবা মহৌশাবু নুংশিজবা অদুবু অয়েকপা লাই ওইনা উৎথোক্তুনা মুৎশিল্লক্লবা মহৌশাগী শা-উচেকশিংবু কনমীন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা চাংদমবা অসি পাঙথোকপনি।

**ধনমঞ্জুরিঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বোটনিনা শিনদুনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে ওফ প্লান্ট হেলথ পালন পাঙথোকখ্রে।

প্লান্ট বাইও সেক্যুরিতি ফোর ফুদ সেক্যুরিতি হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈ মরোং অমদি মনা-মশিংগী মেলা অমসু পাঙথোকখি। ইগজিবসন অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা মশা মশানা থাজবা মনা-মশিং, মহৈ-মরোং কয়া উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বোটনিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার-কে.ঐচ. সুসিলানা হায়-মনা মশিং অমদি হৈ-রা পান্বীশিংবু লায়না তিন্না চেলহন্দনা অফবা মখলগী মহৈ মরোং পুথোকবা করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াগদে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মেলা অসি পাঙথোকপনি।

**স্নেক(এল)ঃ** সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন মনিপুরগী কাংবুনা ঙসি লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেষ্টতা ৱাইল্ড লাইফ রিলোকেসন অমদি রিলিজ ওপরেসন পাঙথোকখ্রে।

দিভিজনলে ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম সুরেস নাধে য়াওনা চথখিবা ওপরেসন অদুদা তোঙান তোঙানবা মখলগী লীন মঙা লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেষ্টকী মফম অমদা থাদোকখি। ফোরেষ্টকী কাংবুনা কন্দুনা মফম চানা থাদোকখ্রবা লীনশিং অদুগী মনুংদা এদল্ট কোপর, হেদেদ ত্রিংকেট স্নেক, মোনোক্লেপ কোব্রা অমদি ইন্দো চাইনিজ রেড স্নেক য়াওরি। লীনশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফোরেষ্ট দিভিজনগী কাংবুনা কন্দুনা পুরকখিবনি। লমলক্কী শা-উচেকশিং মীরক্তা চেনশিল্লকপা নৎত্রগা খুদোংথিবা মওংদা কনাগুম্বনা থেংনরবদি সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনদা পাউ পীবিয়ু হায়না বিভাগ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**পিদিএস(এল)ঃ** নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট (নপসা) গী মখাদা সরকারনা মীয়ামদা পীবা চেং-হৱাই অমদি অতৈ পোৎলমশিং তমেংলোং জিলাগী মে থাগী ফংফম থোকপশিং পীথোক্তনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা দাবী তৌরি। পোৎলমশিং অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা হান্ননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

**নিটঃ** অন্দর গ্রেজয়েট মেদিকেল এদুকেসনদা মিং চন্নবগীদমক থা অসিগী অহুমদা পাঙথোকখিবা নিট য়ু.জি. ২০২৬ চৎনরোই হায়না নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না ৱারেপ লৌখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা এন.টি.এনা হায়-মহৈরোইশিংগী স্বার্থ য়েংলগা অমসুং জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা পরিক্ষা অসিদা মীয়ামনা থল্লিবা থাজবা অদু য়েংলগা নিট-য়ু.জি. ২০২৬ চৎনহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ৱাথোক অসি পরিক্ষা অসিদা পেপর লিক ওইখিবগী ৱাথোক অদু নীংথিনা থিগৎহন্নবা এজেন্সিনা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন

(সি.বি.আই) দা শিন্ননবা ৱারেপ লৌরে।

সি.বি.আইনা ৱাথোক অদু থিগৎতুনা অচুম্বা অশেংবা অদু খঙনবা হোৎনবদা মরী লৈনবা চে চাং অমদি রেকোর্ড খুদিংমক সি.বি.আইনা অপান্বা মতুং ইন্না এজেন্সিনা লানখৎকনি। পরিক্ষা অসি অমুক হন্না পাঙথোকবা এন.টি.এনা অনৌবা মতম অমা লেপ্লগনি হায়রি। পরিক্ষা অসি অমুক হন্না পাঙথোকপদা কেন্দিদেটশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌখিবশিং অমদি পরিক্ষা সেন্টরশিংদা অহোংবা লৈরোই। অমুক হন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরোই হায়রি।

**অসামঃ** ডা.হিমন্ত বিস্বা শর্ম অনিরকশুবা ওইনা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম গুৱাহাতিগী খানা পারাদা লৈবা ভেতরিনরি কোলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লি।

হিমন্ত্র বিস্বা শর্মগা লোয়ননা মন্ত্রি মরিসু ৱাশক লৌখি। মখোয়বু রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। হিমন্ত্র বিস্বা শর্মগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবা কেবিনেট মন্ত্রি মরি অদুদি-রামেস্বর তেলি, অতুল বোরা, চরন বোরো অমসুং অজন্তা নিয়োগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমসুং বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং ডপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনসু ৱাশক লৌবগী থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

**তামিল নাদুঃ** টি.ভি.কেগী লেজিসলেটর জে.সি.দি. প্রভাকরবু তামিল নাদু বিধান সভাগী অধ্যক্ষ খনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি-জোসেপ বিজয়না মহাকপু অধ্যক্ষ ওইনবা পুখৎলকখি।

মহাকপু অধ্যক্ষ ওইহনবদা সদস্যশিংনা মোত অমত্তা ওইনা য়ান্নখি। টি.ভি.কেগী এম.এল.এ. রবি শঙ্করবু উপ অধ্যক্ষ ওইনা মোত অমত্তা ওইনা খনখ্রে। অধ্যক্ষ খল্লবা মতুংদা বিধান সভাদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-জোসেপ বিজয়না হায়-বিধান সভাদা দল খুদিংমক্কী এম.এল.এশিংনা দল দলগী খেৎনবা অমসুং মশিং য়েংদনা চপ মান্ননা ৱা ঙাংবা য়াবগী খুদোংচাবা পীগদবনি। সভাদা মীয়ামগী কান্নগদবা ৱাফম অমা খন্নরকপদা বিরোধি দলশিংনা দলগী খেৎনবা থমদনা ৱাফম অদু খন্নবদা মপুং ফানা শরুক য়াবীনবা অমসুং শৌগৎপীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা তৌরি।

**গ্যাসঃ** পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি-হরদ্বিপ সিংহ পুরিনা হায়রি-নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং লৈজরবসু লৈবাক অসিদা চাকথোং গ্যাস এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈরোই।

লৈবাক অসিগী ওইনা এল.পি.জি. পুথোকপগী চাং নোংমদা হান্না লৈরম্বা চাংদগী শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎতুনা নোংমদা এল.পি.জি. পুথোকপগী চাং টোন লিশিং ৫৪ য়ৌবা ঙমলে। মসি হান্নদি টোন লিশিং ৩৬ রোমতমক পুথোক্লম্বনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা এন্যুয়েল ভিজিনেস সমিট ২০২৬ তা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা থা খরা অসিদা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাকশিংদা এল.পি.জি. অমসুং থাউগী মমল অতিয়া পকা ৱাংখৎখ্রে। অদুমওইনমক, লৈবাক অসিদদি মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা হান্নগী মমলদা অদুম্মক ফংহল্লি। মহাকা হায়-হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ থা অনিগী শরুক লৈরি। এল.পি.জিগী ওইনা নুমিৎ ৪৫ নিগী স্তোক লৈরি। মরম অদুনা মীয়ামনা থাউ অমসুং এল.পি.জি. ফংলোই হায়বগী মীপায়নিংঙাই লৈতে হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**ক্রিকেট ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গালর্স ৱান দে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি সেদোগ গ্রাউন্দ-কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা পি.সি.সি. ময়াইকোইবীবু রন-১৯৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক-তাউথোংদা শান্নখিবা লিক মেটচতা-কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন-৩০৩ দা থোইখ্রে।

ট্রোফি অসিগী ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রি-চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিক মেটচতনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৯০ দা থোইখ্রে।

লিক মেটস অসিগী ঙসি মোহজিং পব্লিক গ্রাউন্দ-থৌবালদা শান্নগদবা মেটচ অমদা অল-অমিনগী প্লেয়ার মশিং শুদবদগী থাউ-থাংমৈবন্দনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৩ শুবা সন্মরস স্পোর্টস মিট ২০২৬ কী ভিলেজ ৱাইজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-খুম্বোং এফ.সিনা এস.কে.ৱাই.দি.সি. কামেং শম্বলবু পাঞ্জল ৪-০ দা, লুৱাংশংবম মতাই এফ.সিনা অৱাং লৈকিনথবীবু পাঞ্জল ২-১ দা অমদি খুরখুল এফ.সিনা কে.ৱাই.দি.সি. কৈকোলবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৬ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিক ২০২৬-২৭ কী ঙসি আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দ লমলোং থোঙখোংদা শান্নখিবা মেটচতা-এফ.সি. ইম্ফালনা কাংচুপ রোড য়ঙ ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এনা আই.সি.এস.এ. ইরেংবমবু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিবোং ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-খুম্মন এল.এম. ইম্ফালনা পাউবীতেক এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.এস.সিনা সনামহি এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।